# পাম্ফেল হুনবদা দ্রম সীদর শীজিন্নবনা পীবা খুদোংচাবশিং

- এস সুমঙ্গল -



মমাঙগী খূৎই অমদা পাম্ফেল হুনবগী মতাংদা পরেং হুনবগী কান্নবা অমা পনখিবদা দ্রম সীদর হায়বা খূৎলায় অমা থমজখি। ঙসিগী খূৎইদা দ্রম সীদরগী মরমদা খরা মমুৎ তানা মসি করম্বা খূৎলায়নো, করম্না শীজিন্নগনি, মাগী মাঙজবা, তোংজবা করি লৈ হায়বা খুদিংমক খঙজিনমিন্নসি।

দ্রম সীদর হায়বসি ফৌ মরূনা পরেং নাইনা তাহনবা য়াবা চপ চাবা অরন অকুং খরা শেম্বা য়াবা ফৌ লিথুনবা মখুন হুৎপা মখুনগী অরন অকুংসু শেম্বা য়াবা ফৌ হাপ্লবা দ্রমশিং য়াওবা হেন্দল পান্দুনা দ্রমশিং অদু চিংদুনা ফৌ মরূশিং অদু অহোবা মখুনশিং অদুদা লিথহল্লগা পরেং নাইনা পাম্ফেল হুন্ননবা মেছিন অমনি। পরেংগা পরেংগা ইঞ্চি ৭.৫-৮ লনহনবা য়াবা, অয়াম্বা শারল্লিবা খুদিংমক দ্রম ৪ পানবা, অমুক চিংবদা ফুট ৪.৫ পাকনা মরূ হুনবা য়াবা মেছিননি।

চবাক ওইনা পাম্ফেল হুনবগা দ্রম সীদরনা পরেং নাইনা হুনবগা অনীগী কান্নদবা খরা য়েংসি।

১) দ্রম সীদরনা হুনবদা মরূ কিলো ১০না লৌ শঙম অমা হুনবা য়াই। ফৌগী অরন অকুঙ চাং চানা হুনবা য়াই। চবাক ওইনা হুনবদা ফৌদিগী চাং কিলো ১৫ হেন্না হুন্নে, ফৌ কুঙ্গল্লি।

২) ফৌ কুঙলবদি ফৌ মশা শোল্লি, ফৌ মশা শোল্লবদি লায়না তীলনা তাগল্লি, চাথোক হন্থে।

৩) চবাক ওইনা হুনবনা শেল চঙবসু হেল্লি। মরমদি অসুম্না হুনবা লৌফমদা অরন অকুঙ শেম্নে, মসি শেম্বদা খূৎ য়াম্না চঙই। লৌহোন হুন্দুনা লৌ লিংবদা লৌহোন ফোইবা, লিংবা তৌবদা খূৎ য়াম্না চঙই হায়না খল্লবসু চবাক ওইনা হুনবদা অরন অকুঙ শেম্বদা খুলং মশীং য়াম্না হেন্না চঙবদুগা য়েংনবদা চবাক হুনবগী শেলনা হেন্না অদুমক চঙখি।

৪) দ্রম সীদরনা হুনবদা পরেং নাইবা মরম্না শেম্বা শাবা লায়রে, ফৌ চাং মান্নবা হেনবা মরম্না ফৌ মশা ফৈ, লায়না তীলনা তাবসু হন্থরে, চাথোক অদুমক হেল্লে।

৫) পরেং নাইবা মরম্না নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না চঙদুনা য়াম্না শাথীরবা তীলনা ময়াম্না ৱাহিক হায়না খঙনরিবা লৌপাক লৌপাক চাথোক্তুনা মাঙহল্লিবা হোপ্পর শুক্তামক তাররোই হায়না লৌবসু য়ারে।

৬) ফৌ হুনবদসু দ্রম চিংদুনা অমুক চৎপদা ফুট ৪.৫ পাকনা হুনবনা লৌ শঙম অমা হুনবদা মতমসু য়াম্না চঙদে।

হিরম খুদিংমক্তা খুদোং চাবা য়াম্নমক হেল্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই খল্লি। মসি চাংয়েং কয়াগী মতুংদা ফংলবা ৱাফম ঙাক্তনি।

চেকশিন ৱা খরা : দ্রম সিদরনা মরূ হুনগে হায়রবদি ফৌ তিংবা, ওম্বা মতমদা খরা চেকশিনবা তাই। ফৌ তিংবগী, ওম্বগী, লৌফম শেম্বগী প্লান/থৌরাং নিংথিনা পাঙথোকপা অমা মথৌ তাই। ফৌনা মতোন খরা শাংনা থোকখ্রবদি দ্রমগী অহোবদা ফৌ লিথুবা খরা ৱাৎলি। মরম অদুনা ওল্লবা ফৌনা শেন্দাং মখ্যাৎ শাবা মতমদা দ্রমদা হাপ্তুনা হুন্ননবা হোৎনবীগনি। দ্রমদা হুৎলিবা মখুনশিং অদু অমমম কান্দুনা মেনশিল্লবদি পরেংদা ফৌ খরা লন্না তাননবা হোৎনবা য়াই। মসিনা ফৌ মরূ হেন্না চঙবদগী কনবা ঙমহল্লি। লৌফমদা ঈশিং কা হেন্না থল্লগা হুল্লবসু তারল্লিবা মরূশিং চাইথোক্তুনা পরেং নাইনা তাহনবদা খরা ৱাবা য়াই। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ ঈশিং অসি ইঞ্চি ১-২দগী হেন্না লুহন্দবা ফৈ।

দ্রম সীদর অসি হান্নগী ময়ায় মতাই অনী চপ মান্ননা লাওবা সিলিন্দ্রিকেল ওইবা মখল অদু ফৌ খুদিংমক লোইনা শিৎ নান্না তাহনবা খরা ৱাই। মরম অদুনা মখ্ৱাং চেংশিনবা দ্রম মখল অদুনা হাপ্লিবা ফৌ মরূশিংমক শিৎ নান্না তাবা হেল্লি, মখ্ৱাং চেংশিনবা দ্রম মখল অদু শীজিন্নসি।

থমজরিবা খরা অসি ঙাক্লবদি দ্রম সীদরনা পাম্ফেল হুনবা অসি খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি হায়না থমজনীংই। ●

# ফৌ থাবদা শীজিন্নবা য়াবা নাপী হীদাক অমসুং শীজিন্নবগী মওং মতৌ

ডা. ৱাইখোম জিতেন

ফৌ পাম্বীগী খ্বাইদগী চাউবা য়েক্লবশিংগী মনুংদা নাপী হায়বসিসু অমনি। নাপীনা ফৌ পাম্বীগা মচিঞ্জাক, নুংশা মঙাল অমদি লৈফম মুন্নদুনা ফৌগী পোত্থোক হন্থহল্লি। পাম্ফেল হুনবা, ঈশিং ৱাবা অতোংবা লৌফমশিংদা নাপীনা ফৌগী চাথোক ৩৫-৬৭% চাংদা হন্থহনবা ঙমই। অমরোমদা অমুক ঈশিং তুংলগা লৈগদবা পাম্ফেল হুনবা লৌফমদা ফৌগী চাথোক চাদা ২০-৪৫ অদুগা অরিংবা লৌফমদা চাদা ১০-৩৪% ফাওবা হন্থহনবা ঙমই। মরম অদুনা ফৌ থারিবা লৌফমদা নাপী হৌহন্দনবা হোৎনবা হায়বসি লৌমীশিংগী তৌদ্রবা য়াদ্রবা থৌদাংনি। অসুম্না ফৌ মরক্তা নাপী হৌহন্দনবা হোৎনবা মতমদা শীজিন্নবা য়াবা তোঙান তোঙানবা পাম্বৈশিংগী মনুংদা নাপী হীদাক শীজিন্নবসিসু অমনি। নাপীদগী ঙাকথোক্লবা অতোপ্পা তৌবা য়াবা থবক থৌরম তৌরবা মতুংদা তঙাইফদবা মতাং খক্তদা নাপী হীদাক শীজিন্নগে হায়বগী ৱাখল খনবীগদবনি। মদু নত্তদুনা নাপী হীদাক খক্তনা নাপীদগী ঙাকথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি হায়না লৌবা চুমদে। নীংশিংজনীংবা অমনা নাপী হীদাক শীজিন্নবিবা মতমদা কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবীদুনা নাপী হীদাক অমনা পীবা য়াবা কান্নবা অদু চপ চানা লৌবগা লোয়ননা নাপী হীদাক অদুনা অকোয়বগী খলদা কায়হনবগী চাংসু নেম্নবা হোৎনগদবনি।

ফৌদা শীজিন্নবা য়াবা নাপী হীদাকশিং অসি মখল অনী থোক্না খাইদোকপা য়াই।

(১) নাপীনা ময়োন থোক্ত্রিঙৈ/হৌদ্রিঙৈ নৎত্রগা ময়োন থোকপদা ঙাইরিঙৈ :- থৌওং অসিগীদমক শীজিন্নবা য়াবা নাপী হীদাকশিংদি Pyrazosulfuron-ethyl 10% অমদি Pretilachlor 50% EC পনবা য়াই।

(অ) Pyrazosulfuron-ethyl 10% (Saathi, Laathi, Roka Property, Sakata, Ojika etc) হায়রিবা হীদাক মখল অসি নাপী মরূনা পোকখায়দ্রিঙৈ নৎত্রগা পোকখায়বদা ঙাইরিঙৈ মতমদা নাপীশিং হাৎলি। হীদাক মখল অসি পাম্ফেল হুনগদবগী নৎত্রগা লিংনবগী লৌফমদা উকায় নম্বা লোইরবা মতুংদা ফৌ হুনদ্রিঙৈ/লিংদ্রিঙৈদা পম্প শীজিন্নরগা ঈশিংদা থিৎলগা কাপ্পা নৎত্রে হায়রগনা পাম্ফেল হুনখ্রবা/লিংখ্রবা মতুং নুমিৎ ৫নি ফাওবগী মনুংদা লৌফম অদুদা পম্প অমগী মতেংনা কাপথোকপীগদবনি। লৌ শঙম অমা চাওবা লৌফমদা হীদাক মখল অসি গ্রাম ৪০না লিটর ১৫ চনবা পম্প মরি থোক্না কাপথোকপীবা য়াই। হীদাক মখল অসি কনাগুম্বা লৌমীশিংনা নাপীনা চাওখ্রবা মতুংদা শীজিন্নবীবা য়াওই। মসিনা নাপীদি হাৎতে তৌবতদি ঐখোয়গী অকোয়বগী খলদদি অকায়বা পী।

(আ) Pretilachlor 50% EC (Cleaner, Refilplus Eraze 50, Preagle Plus, Delete 50) হায়রিবা হীদাক মখল অসিসু নাপীনা হৌদ্রিঙৈদা অরিংবা লৌফমদা শীজিন্নবদা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংচাবা হীদাক মখলনি। ফৌ লিংদ্রিঙৈ নৎত্রগা লিংখিবা মতুং নুমিৎ ৩/৪নিগী মনুংদা লৌ শঙম অমা চাওবা লৌফমদা মিলি ২৫০ চনবা হীদাক কৌতা অমা চাইথোকপীদুনা নাপীদগী ঙাকথোকপীবা য়াই। হীদাক মখল অসিদি পম্পগুম্বা শীজিন্নদ্রবসু লৌফমগী ঈশিং ঈমাইদা হীদাক মরীক মরীক থাদবীদুনা মান্নবা চাংদা লৌফমদা চাইবীবা য়াই। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা হীদাকশিং অসি শীজিন্নবা মতমদা লৌফমগী ঈশিং-ঈমাই নেম্না থম্বনা খ্বাইদগী ফৈ।

(২) নাপী হৌরবা মতুংদা শীজিন্নগদবা নাপী হীদাক :- হাৎকদবা নাপীগী মখল খেন্নবগী মতুংইন্না শীজিন্নবা য়াবা নাপী হীদাক্কী মখলসু ওন্থোক্না য়াম্না লৈখ্রে। খরদং পঞ্জরবদা Metasulfuron methyl 104 + Chlorimuron ethyl 10%, Cyhelotopbuty 10%, Denoxsulam, Bispyribae Sodium, Bendazone 480 SL, Fenoxaprop- P-ethyl 9 EC 24D পনবা য়াই।

নীংশিংগদবা অমনা নাপী হীদাকশিং অসি কাপত্রিঙৈ য়ামদ্রবদা নোংমগী মমাঙদা লৌফম অদুদগী ঈশিংশিং তাক্লি তাক্লি লৈবগী চাংদা থম্নবা হোৎনগদবনি অদুগা হীদাক কাপখ্রবা মতুং নুমিৎ ৩/৪নিগী মতুংদা ঈশিং অমুক চনশিনবীদুনা নুমিৎ ১০নিমুক ঈশিং কংহন্দনা থম্নবা হোৎনবীগদবনি। নাপী হীদাক কাপ্পদা শীজিন্নগদবা পম্পকী মচিন অসি Flat fan nozzle হায়বদু ওইনা শীজিন্নবীবনা নাপী হীদাক শীজিন্নবগী কান্নবা হেন্না ফংই। নাপী হীদাক শীজিন্নবগী কান্নবা মপূং ফানা ফংনবা পায়খৎপা য়াবা অতোপ্পা পাম্বৈ অমা পনবা তারবদি লৌফম অদু নীংথিনা উকায় তকথোকপীদুনা লৈতেম মান্নহনবনি।

(ক) Bentazone 480 SL (Basagran) :- খরা তোংতক তৌবা কাওথুম অমদি কাঙ্খল শাবীগুম্বা মখলগী নাপীনা হেন্না হৌবা লৌফমশিংদা শীজিন্নবা য়াবা হীদাক মখলনি। মসি অরিংবা লৌফমদা নুমিৎ ১৫নিগী মতুং অদুগা পাম্ফেল লৌফমদা ২০-৩০ নিমুক শুবদা ঈশিং লিটর ১৫ চনবা পম্প অমদা মিলি ৮০গী চাংদা য়ানবীরগা লৌরক মচা (acre) গী লৌফমদা মিলি ৮০০না কাপ্পীগনি।

(খ) Metasulfuron mythyl 10%+ Chlorimuron ethyl 10% (Almik Mahamix, Pimix, Dharrmix) :- নাপী হীদাক মখল অসি অয়াম্বা নাপী মখল খুদিংমক হাৎপা ঙম্বা নুমিৎ ২০নি শুরবা পাম্ফেল লৌফমদা শীজিন্নবদা কান্নবা হীদাক মখলনি। হীদাক মখল অসি গ্রাম ৫না লৌ শঙম অমগী লৌফমদা কাপ্পা য়াই।

(গ) Bispyribac Sodium 10% (Nominee Gold, Adora) :- হীদাক মখল অসিসু নাপী মখল অয়াম্বা হাৎপা ঙম্বা অদুগা নাপীনা মনা ৩/৪ শুবা মতমদা শীজিন্নগদবা হীদাকনি। হীদাক মখল অসিনা লৌহোন্দা নুমিৎ ১০-১২, অরিংবা লৌফমদা নুমিৎ ১৪নিগী মতুং অদুগা পাম্ফেল লৌফমদনা নুমিৎ ১৫-২৫গী মতুংদা মিলি ৫০-৭৫না লৌ শঙম অমগী লৌফমদা শীজিন্নবীগনি।

(ঘ) Penoxsulam (Granite) : নাপী মখল অয়াম্বা হাৎপা ঙম্বা নাপীনা মরূদগী পোকখায়বদগী নুমিৎ ১০-১২নিমুক শুবা অদুগা নাপী অদু মনা ১-৩ ফাওবগী মনুংদা লৈরিঙৈদা শীজিন্নবীগদবা নাপী হীদাকনি। লৌ শঙম অমা চাওবা লৌফমদা হীদাক মখল অসি মিলি ২০-২৫ ফাওবা শীজিন্নবীগনি।

(ঙ) Cyhalofop Buty 10% (Clencher) :- উরিচাকনা মপূং ওইনা হৌবা লৌফমদা শীজিন্নবা য়াবা নাপী হীদাকনি। হীদাক মখল অসি নাপীনা মনা ৪ মুক শুবা, ফৌ থাখিবদগী নুমিৎ ২০নিগী মতুংদগী নুমিৎ ৩৫নিগী মনুংদা লৌ শঙম অমগী লৌফমদা মিলি ২০০না কাপ্পীগদবা হীদাক মখলনি।

(চ) Fenoxaprop-P-ethyl 9 EC (Whip Super) :- হীদাক মখল অসিসু উরিচাকনা থন্না হৌবা লৌফমদা শীজিন্নগদবা হীদাকনি। নীংশিংগদবা অমনা হীদাক অসি শীজিন্নবা লৌফমগী ফৌদোলশিং অদু হীদাক কাপখ্রবা মতুং নুমিৎ ৭নিমুক্তি মচু ঙাংশিল্লগা লৈ। ফৌ থাখ্রবা মতুং নুমিৎ ২০নি মতুংদা লৌ শঙম অমগী লৌফমদা মিলি ২৫০না কাপ্পীদুনা উরিচাক্তগী ঙাকথোকপা য়াই।

(ছ) 24D (Weednesh, Champion) :- ঈশিং অদুম তুংদুনা লৈবা মনা পাকপা মখলগী নাপীশিংনা মপূং ওইনা হৌবা লৌফমদা হীদাক মখল অসি হেন্না চানৈ। হীদাক মখল অসি শীজিন্নবদা চেকশিন্দ্রবদি ফৌগী শাহৌ য়াম্না থিন্থহল্লি।

ফৌ থাবা লৌফমদা নাপীদগী ঙাকথোক্লবগীদমক চান্নবা মখলগী হীদাকশিং খনবীদুনা শেল য়াম্না চঙহন্দনা অহেনবা পোত্থোক পুথোক্লবা হোৎনগদবনি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর মহৈরোয়শিংগী অপূনবা লূপ ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী ময়াই লোইশঙদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা মহৈরোয় ১৯না শাবা কম্মিটি অমা শেম্লে হায়না এমসুগী জেনরেল সেক্রেটরি বিক্রমজিৎ থোঙামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, এমসুনা লিশাং শীৎনা লমদম অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিং হেন্না খুমাং চাওশিন্না চঙশিনবা ঙম্নবা লেপ্তুনা হোৎনদুনা লাক্লি। এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অসি নৌনা রিফোর্ম তৌবগা লোয়ননা মহৈরোয় লূপ অসিনা মণিপুর খুন্নাইবু মাংলোমদা চঙশিন্নবা হোৎনবগী থবক থৌরমশিংদা চাওনা মতেং পাংলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অসিগীদমক নৌনা থৌ পুনবগীদমক খনখ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা নিংথৌজম রোনাল্ডোনা প্রসিদেন্ট, লৌরেম্বম লুচিংবনা ভাইস প্রসিদেন্ট, মোইরাংথেম বল্লিকানা ভাইস প্রসিদেন্ট, মৈহৌবম নির্মালানা জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং রবিন্দ্রজিৎ নিংঙোম্বমনা ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরি। মথক্তা পনখ্রিবা মীওইশিং অসিগা লোয়ননা মহৈরোয় ১৯না শাবা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অসি ২০২৩ ফাওবা থৌ পুগনি হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মহৈরোয়গী মিংদা মহৈরোয় লুচিংবা শাবা, মহৈরোয়গী মায়খুম উপ্পশিংদগী ঙসিগী মীয়াম্না চেকশিনমিন্নসি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

### রোটরি ক্লব ওফ পোলো সিটিনা কম্মুনিটি প্রোজেক্ট ২ পায়খৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৯ (ঐচ এন এস): রোটরি ক্লব ওফ পোলো সিটি ইম্ফালনা থা-থাগী ওইনা পায়খৎতুনা লাকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না হন্দক থাগী ওইনা প্রোজেক্ট অনী মায় পাক্না পায়খৎখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা রোটরি ক্লব ওফ পোলো সিটি ইম্ফালগী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পায়খৎখ্রবা প্রোজেক্ট অনী অদুদি কৈবী অৱাং লৈকাইদা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা লেম্প পোষ্টশিং ইন্সটোল তৌবগা লোয়ননা বল্ব অমদি অতোপ্পা মচাকশিং খূৎশিন্নবা, অনীশুবদা কৈবী খুল্লেনদা লৈবা ক্লব অনী য়োল্লো অমসুং কে এম এস এদা য়ূম কুপ্লবা রুফিং শীট বন্দল ১০/১০ খূৎশিন্নখ্রে। অমরোমদা, লোকল ক্লব অনী অসিনা রোটরি ক্লব ওফ পোলো সিটি ইম্ফালনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

### নোং লেপ্তুনা চুবদগী জিরিবামগী মফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১৯ (ঐচ এন এস): হৌখিবা নুমিৎ নীনি রোম অসিদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিং ঈশিংনা থুমজিনখিবদগী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা চাওনা অকায়বা পীখ্রে। করিগুম্বা মখা তানা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা নোং লেপ্তুনা চুরবদি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা মীয়াম কা-হেন্না অৱাবা তারবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা য়ূম, লম্বী অমদি এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিং য়াওনা মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিনখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা জিরি কোলেজদা বি এ, বি এস সী অমদি বি কোমগী ৪শুবা অমসুং ৬শুবা সেমিষ্টরদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী ওইনা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা এগজাম অসিদা চাওনা খূদোংচাদবা মায়োক্লহল্লবা য়ানা লৈরি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলগা জিরি কোলেজকী হয়েংদগী পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা সেমিষ্টর এগজাম অসি মতম খরা য়ৈথোকহন্নিংবগী অপাম্বশিং ফোঙদোক্লরক্লি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মরুওইবা মফমশিং লটিংখাল, ইস্লামাবাদ, জে টি রোদ, দিবোং খুনৌ অমদি কদমটালা ফাওনবা য়াবা লম্বীশিং ঈশিং থুমজিনখিবনা মরম ওইরগা ফাওনহনখিদ্রে হায়রি।

### সানোই কোলেজদা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৯ (ঐচ এন এস): নম্বোল এল সানোই কোলেজগী ইন্টর্নেল ক্বালিটি এস্যুরেন্স সেল (আই ক্যু এ সী) অমদি সঙাইপ্রৌদা লৈবা ইমা চেঙহী পুথোকপা এম এস হোলিষ্টিক ইন্টর্প্রাইজকা খূৎশম্নদুনা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ দিভলপমেন্টকী মতাংদা নোংমগী ওইবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা নম্বোল এল সানোই কোলেজকী কো-ওর্দিনেটর আই ক্যু এ সী ডা. এ তেজমণিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রো. দল্লিয়ু জ্যোটিরমোই প্রিন্সিপাল নম্বোল এল সানোই কোলেজ অমদি ডা. অখোম তেজমণি কো-ওর্দিনেটর আই ক্যু এ সীনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কোলেজ অসিগী ওজা অমদি মহৈরোয় ১০০ রোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী হান্নগী ফঙ্কসনেল মেনেজর সনসম বিরেন্দ্র অমদি ইমা চেঙহী পুথোকপা হোলিষ্টিক ইন্টর্প্রাইজকী ফাউন্দরনা রিসোর্ছ পর্সন ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা বিরেন্দ্রনা হায়খিবদা, হৌজিক্কী মতমদা গভর্ণমেন্টকী থবক ঙাইবগী মতম অদু হেনখ্রে। ইশানা ইশাবু থবক পীবা খক্তা নৎতনা অতোপ্পা মীওইশিংবুসু থবক পীনবা হোৎনবগী মতম ওইরে। মণিপুরদা ওন্ট্রপ্রেন্যুর কয়া হৌগৎলক্লি। মসি চাউখৎপগী খূদম অমনি। কোলেজ অসিগী মহৈরোয়শিংনসু হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়খি।

Plot Land অমা য়োঞ্জরি

Plot land অমা য়োঞ্জরি। পাম্বীবশিংনা মখাগী Contact no. অসিদা পাউ ফাওবিরকউ।

HL-P/3107/20 Contact no. - 7005676349

MANIPUR MASTERS ATHLETICS ASSOCIATION

Memorandam of Association & Constitution গী Article 8.1 (i) অমদি 16.3 গী মতুংইন্না Manipur Masters Athletics Association গী Adjourned General Body Meeting না 4 (four) Years (2022-2026) Term অসিগী Office Bearer/Executive Committee Members ওইনা মখাগী মীওইশিং অসি য়েৎনবা লৈতনা খনখ্রে।

| | |
|---|---|
| 1. M. Ajitkumar Singh | President |
| 2. M. Ibomcha | Sr.V.P. |
| 3. Th. Nabakumar Singh | - do - |
| 4. L. Mangi Singh | V.P. |
| 5. S. Gourabidhu Singh | - do - |
| 6. Y. Tiken Meetei | - do - |
| 7. N. Chandrajini Singh | - do - |
| 8. Th. Akashini Devi | - do - |
| 9. S. Pramodini Devi | - do - |
| 10. Sh. Jayantakumar Sharma | Secretary |
| 11. A. Surchandra Singh | Treasurer |
| 12. Th. Mohar Singh | Joint Secretary |
| 13. S. Shama Devi | - do - |
| 14. S. Ranjit Singh | Member |
| 15. Th. Beijayanti Devi | - do - |
| 16. P. Roma Devi | - do - |

HL-P/2961/20 Sd/- Sh. Jayentakumar Sharma, Convenor

/পুক্তা নুংশিৎ কারগা প্রিক প্রিক খোংবা, নুংশিৎ অদু থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা অমদি শ্বর হোনবা ৱাবা করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খৌনাওদা ইথনতা থঙ্গৎলগা লৈবগুম তৌবা, তাং-তাং চিকপা নাবা, কোক চিকপা অমদি ঙাওবা, ঙকশম মরী নাবা, খোঙহাম্বা চাং নাইদবা, অহিং তুম্বা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশিৎ কাবনা য়াম্না কন্না নাদুনা পুক্তা নুংশিৎ কারগা প্রিক প্রিক খোংলগা লৈবা, নুংশিৎ কাবা অদু থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা অমদি শ্বর হোনবা ৱাবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খৌনাওদা ইথনতা থঙ্গৎলগা লৈবগুম তৌবা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎলকপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, চাবা থকপসু য়াদবা, ওইগী খোঙ অমদি খূৎ অসি য়াম্না চিকপা নাবা, তাং-তাং চিকপা নাবা, শিংলি নৌরি শোনবা, কোক চিকপা অমদি ঙাওবা, ঙকশম মরী নাবা শয়েং অনীমক চিকপা নাবা, নময়াং মরিন অসিসু চিকপা নাবা, খ্বাং নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাল্লগসু মনাংগা লোয়ননা খজিক্তং হাল্লগা তোকপা, খোঙ মপুং ফানা অমুক্তা হাম্বা য়াদবা পুকচেপ নাকন অনীমক নাবা, নময়াদা নাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খোঙয়া শাবা ফম্বী শোনবা ফম্বী থুনা-থুনা চৎপা, নোংমা নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা : Y. Thanjit Singh
Moirang Lamkhai

HL-B/7692/20

HL-P/3073/16,18,20

/ REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my registration certificate issued by Assam State Dental Council bearing Regn. no. 1455 of 2013 on the way between Patsoi and Paona Bazar on 15/06/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Mutum Sangeeta Devi
Patsoi Part One, Sagolband

HL-P/3108/20

/ ফংবীগনি

অফবা মখলগী মোরে অমদি দিমাপুর লৈঙোই অকুপ্পা অমসুং অপৌবা মখল শুনা ফংবীগনি। ট্রক ওইনা নৎত্রগা রিটেল ওইনসু হোম দেলিভরিগী খূদোংচাবা থমজরি। য়ূম শাবগী শাৎ হৈনবা মচাক শাঞ্জরি। য়ূম শাবগী পাইল হুৎনবা মেছিন শাঞ্জরি।

Sd/- M/s. N.S.S. Meitei Enterprises
Porompat D.C. Road
Mobile : 7005219307 / 7085204888

HL-P/3036/10-22(alt)

/ JOB OPENING

Senior Officer

Application is invited for intending candidates as Senior Officer in reputed bank for relationship Manager.

No. of Vacancy : 15
Posting Manipur

Eligibility : Any Graduate (minimum 50%)
Salary : Starting Rs. 25,000 to Rs. 40,000 (with PF. Gratuity, Medications, Bonus, etc)
Age below 26 years

Walk in-date, 21-06-2022

All candidates may submit necessary documents alongwith CV during office hours 10.00 am to 3.00 pm. Monday to Saturday.

Human Resource Consultancy
Keishampat, Opp. Oil Pump
www.hrcindia.co.in

8794758218

/ চহীগী দশা য়েংজরি



অপাইবা দশা, য়েক্লবা, লায়না-তিন্না, থবক-করবার, মহৈ-মশিন, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম পুখ্রবা, য়ূম-ইঙ্খোল, লৌ, য়ূম্বাল, নুপী-অঙাং, মচা য়াওদবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, নিশাদা লাইচুবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কিষ্টোননচিংবা, খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপথনা য়েংজরি। লাকপা ঙমদবশিংগী ওনলাইনদসু য়েংজরি।

Contact : JM Dr Ph Rajendra
(International Renown Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, # 9077188456

HL-B/7640/13/5-10/6 (alt)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।